# নবকিশোরবু চীফ সেক্রেটরী ফমদগী লৌথোকখিবগী মায়োক্তা ওইনাম বজারদা ব্রাকৎ মীফম ফমখ্রে



এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ ঃ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ওইনাম নবকিশ্বর সিংহ শিন্দোকপগী ওর্ডর খুদক্তা ককথৎলু হায়না ওইনাম মৈরা পায়বী লুপ্পা শীন্দুনা ওইনাম বজারদা ব্রাকৎ মীফম ফমখ্রে হায়না সেক্রেটরী ওইনাম মৈরা পায়বী লুপকী সেক্রেটরী ও বিমোলানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়রিবদি, লমদমসিগী লৈহাওদগী পোকখিবা অমদি চাওজখিবা ওইনাম নবাকিশ্বর সিংহগী মহুৎতা রিটয়ার তৌগদবা থা অহুমখক্তমক ঙাইরবা আরআর রসমি, আইএএসপু চীফ সেক্রেটরী ওইনা হাপচিল্লকপা অমসুং ওইনাম নবকিশ্বর সিংহবু দন্দি পীবগী মওংদা হন্থবা থাক্তা ষ্টেট একাডেমি ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেল ওইনা ওর্ডর থোকপদগী ইকায়দুনা ভলুন্টরি রিটয়ার্মেন্টকী চে পীবা ওইগনি।

সরকারনসু নংহৌররোই মতাগুম খুদক্তা অয়াবা পীখিবা থৌওং অদুসু কন্দেম তৌই হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চীংমী–তম্মী খায়দনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা মথৌ তৌখিবা ও নবকিশোরনা চুরাচান্দপুরগী ব্রাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনবদসু চাওনা থৌদাং য়াখি। মহাক্কী মরাল শুংপী পীদনা ঙম্মী মতাগুম ফমদগী লৌদোকখিবা অসি পেন্দে।

অনৌবা সরকার অসিনা ষ্টেট অসিগী এডভোকেট জেনরেলবু মতিক চাবা য়েলহৌমী লৈন–লৈনা মীয়ানচা অমা হাপখিদৌরে হায়বদগী মীয়াম মরুওইনা বার এসোসিয়েসন অকনবা ঈহৌ চঙশিনবদগী উচিন–নাচিন্না কলহৌদুনা কুমারজিৎ হাপখিবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরগী এডভাইজরনি হায়না লমদম অসিগী চৎনরোল করিমত্তা খঙদ্রিবা মীয়ান মচা অমা হাপচিনখি।

অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি য়েলহৌমীশিংবু মীরাইবা অমদি মীতোপ–মীয়ানচাশিংবুনা য়োক–খৎপা থৌওংনি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি থীংহৌনবা ঐখোয় পুন্নমক্না হোৎনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা হয়েং থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী কনভেন্সনদসু লূপ অসিনা শরুক য়াগনি অমসুং মীয়ামসু য়াওবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা পাউজেল্লক্লি।

# মীচৎ শঙ্গ লৈজদবা মীওইশিংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ুঃ *তোম্বী*

এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ ঃ হৌখিবা জনুৱারি ১৩দা শমুখোক্তা থোকখিবা এক্সিদেন্টতা লৈখিদ্রবা সুতিল সিংহ (২২) অপোকপা এস কাওবা সিংহগী লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী লংলা–লংজিন পুথোকপদা মরী লৈনবা অমদি মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়না অপোকপী সরাংথেম ওংবী তোম্বী দেবীনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জনুৱারি ১৩গী নুমিদাংৱাইরমদা রাজেন অমদি জেনস কৌবা লৈকাইগী মমান্নবা অনীগা ৱার্কি চৎলুসি হায়না চৎখ্রগা নুমিদাংগী পুং ৭.৩০তাবা মতমদা শমুখোক্তা এক্সিদেন্ট থোক্লে হায়দুনা পাউ পীরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং মথঙগী নুমিৎতা লৈখিদে।

হায়রিবা এক্সিদেন্ট অসি অল্টো কার অঙৌবা মচু অমনা থোল্লম্বনি। থৌদোক অসিদগী সুতিল লৈখিদবনি অমদি চৎমিন্নরিবা জেনসনা মখোঙ তেক্তুনা লায়েংদুনা ফরে। থৌদোক অসিগী লংলা–লংজিন পুথোক্লবা হায়জখি। মসিগী মতুংদা পুলিসনা কয়া থীরবসু ফঙদবদগী চৎমিন্নরিবা মমান্নবা জেনসতা হংনবা হোৎনখি। অদুবু উন্নবা ফঙদবনা মরম ওইরগা থোল্লম্লিবা গারী অদু কনাগীনো খঙবা ঙম্নবা হায়দুনা কয়ারক হোৎনজখি। জেনস হায়রিবা মমান্নবা অসিগী মপা অসি সৈজাং অৱাং লৈকাইগী ওইনা মচিন চৎপা মীশক ওইবনা মীশিংনা কন্না ঙাংবা ঙম্নদে অমদি থৌদোক অসিগী মতাংদা ইমুং–মনুংদা থেমদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মী অসি পুথোকসি অদুবু মতম খরদি চঙগনি হায়দুনা থাজবা পীদুনা থা মরি অসি লৈরকখিবনি।

লোয়নন থোকখ্রিবা থৌদোক অসি মতম কুইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা জেনসকী অপোকপা ৱাইখোম ইবোমচা সিংহবু উন্নবা কয়ারক হোৎনখি অদুবু তানজা ফঙদে অমদি উন্নবগী মতম পীদে অদুদগী অপোকপীনা জেনসতা অকাম্বা ৱাহৈ হায়বদগী জেনসকী মমানা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু খঙলে। অদুবু ঐদি নুপী ওইবনিনা হায়দুনা অশেংবা হায়রকখিদে। অদুদা লংলা–লংজিনদা ওইরসু খঙনবা হায়দুনা জেনসকী ময়াম্বদসু হংবদা এক্সিদেন্ট অদুদা চেন্নরিবা গারী অদু অসি ওইগনি হায়বা লৈখ্রবনি। অদুবু জেনস অমদি মপানা চেংনরিবা গারী অদুগী মীগা মান্নরগা লোৎশিনবনি হায়না মরম ওইরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ৱাইখাম ইবোমচানা লাক্তুনা সুতিলগী মমা–মপাদা হৌখ্রবদি হৌখ্রে। তুংগী খন্দুনা নখোয় করিমত্তা কেসনুং তৌরনু অমদি মহাক অসি সিএমগা য়াম্না নক্লবা মীনি। অদুনা ঐনা সিএমদা চৎতুনা লৈহৌরিবা নচা অসি থবক অমা হাপ্লসি হায়না থেল্লম্বা অসিদা করিসু খঙজদবা মীচং শঙ্গ লৈজদবা চন্না হিংজরিবা মীওইশিংবু মরী লৈনবনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখ। লোয়ননা থৌদোক অসিদা হকথেংননা থেংনহৌরিবা অমদি হায়দোকউ য়াদ্রিবা জেনসকী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।



*এমএলএ ও সুরজকুমারনা থৌবাল অমদি খাঙবোক কেন্দ্রগী ঈচাওনা অৱাবা তারবা য়ুমথোঙশিংদা চেঙ, থাওনচিংবা মতেং তৌখিবা*

# শা–ষণ লল্লোনবা থীংবগী হুকুম চৎনহনখিদবদা নুঙাইবা ফোঙখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ ঃ ভারত সরকারনা শা–ষণ লল্লোনবদা অথিংবা থমখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টকী ওর্ডর অমনা খুদক্তা ষ্টে তৌদুনা চৎনহনখিদবদা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া সেন্ট্রেল সেক্রেটরীয়েট মীটিংনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা হরাউবা ফোঙদোকখ্রে। কোর্টকী ষ্টে অসি লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনগদবনি।

পিএফআই মণিপুর ষ্টেটকী পিআরওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মদ্রাস হায়কোর্টনা হন্দক্তা য়ুমদা য়োকপা শা–ষণ য়োনবা থিংবদু ষ্টে তৌখিবনি। কোর্টকী ওর্ডর অসিনা লৈপাক অসিগী লাইরবা শা–ষণ লল্লোল্লগা পুন্সি হিংজরিবা মীওই মিলিয়ন কয়াগী চাওনা মতেং ওইরগনি।

অমরোমদা এপেক্স কোর্টনা পীরিবা রায় অদুমক ষণ ঙাক শেনবগী মিংদা কম্যুনেলগী ওইবা ঈরাং থোক্লবা হোৎনরিবশিংদা ৱার্নিং পীবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি, পিএফআই সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েট মীটিংনা হন্দক অমরনাঠ খুরুম্বা চৎলুবশিং হল্লকপদা তমথীবা মওংদা এটেক্ট তৌখিবা থৌওং অদুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

হিংশাগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং অমদি মদু থোক্লবা শিল্লিবশিং কৈদৌঙৈদসু নাম্লোকপা য়ারোই। অদুনা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা অথুবদা বুক তৌগদবনি হায়নসু মখা তারি।

অতোপ্পা অমনা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা কেরেলাগী মলাপুরম দিষ্ট্রিক্টকী মলাবর হাউস্তা পাঙথোকখিবা খনগৎলবা লুচিংবশিংগী মীফম্না মরাল লৈবা লৈতবা থীদনা অমদি বিচার তৌদনা মী হাৎপগী চত্থরক্লিবা থৌওং দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা থীংহৌনবা হোৎনবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোক্লখি।

চেরোল অমদা হায়, জাৎ–বিজাৎ খায়না কম্যুনেলগী ৱাখলনা লমজিং ওইরগা মুস্লিম অমদি দলিটশিংবু ভেক্টিম ওইহনবগী থবক কয়া চত্থরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা সিভিল সোসাইটিশিংগা খূৎশম্নরগা থবক পায়খৎফম থোক্লে হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

পিএফ আইগী চিয়ারমেন ই অবুবাকরনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা লুচিংবশিংগী মীটিন অদুদা দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অসিদা ষণ ঙাক শেনবগী মিংদা কম্যুনেলগী ঈরাং শাগৎতুনা মী হাৎলিবা অসি কম্যুনেল ওইবা থৌরাং অমনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

বিজেপিগী চহী অহুমগী সাসন আরএসএসকী খুভামনুংদা থম্লগা প্ররইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়াম খোম্লগা আইন লৈতবগী থৌওং কয়া চত্থরি। অসিগুম্বা থৌওং কয়াগী রিপোর্ট মতুংইন্না বিজেপিগী লৈঙাক লৈবা ষ্টেটশিংদা মীওই ৬৩ হাৎখিবগী মনুংদা ৩২নীদি বিচার তৌদনা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎলগা হাৎখিবনি হায়রি।

থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু ষণবু নুংশিবগী নত্তে, শা–ষণ লল্লোন ইতিক তৌবা অমদি চাবগীসু নত্তে। মখোয়গী থাজবা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকপনি। মদুদা মুস্লিম নৎত্রগা দলিটশিংনা অৱা চৈথেং ফঙবনি। মহাত্মা গান্ধী অমদি বাবা সহেব অম্বেদকর পল্লগা ৱাজাও ঙাংবা কান্নরোই। লুচিংবশিং অসিগী মীংলেন শীজিন্নবা তোকপীরো হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপকী মনুংদা অমদি সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈঙাক সাসন তৌরিবশিংদা রাম মনিদর শানবা থৌরাং তৌরিবা খুদিংমক লেপহনবা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা তাবা রায়গী মতুংইন্না মসজিদকী য়ুম্ফম শোকহন্দনবা হোৎনহনফম অসিনি হায়রি। অতোপ্পা ৱারেপ অমদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা ইজরেলদা চৎলুবা অদুনা হান্না লৌখিবা লৈপাক অসিগী ফিরেপ অমদি পেলেষ্টাইলগীদমক লেপ্পম্বা অদু লোইশিনখ্রে। মসিনা ঙসিদি লৈপাক অসিগী মপু ওইবগী মকোক লোংবা, পুকচেল শেংদবা য়ুএসএ অমদি ইজরেলগী খুভামনুংদা শিন্নথোকপগুম ওইহল্লে হায়বসিনি।

# শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি ঃ *কেঐচ ইনাওবী*

এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ ঃ হৌখিবা জুন ২২দগী হৌদুনা মণিপুর হোম গার্ড ইমপ্লোইজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। মসিদা গভর্ণমেন্ট অসিদা করিগুম্বা পোজিটিভ রিপ্লাই পীরক্তঃবদগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি খুরাই পুথীবা লাইগী শঙলেনদা হোম গার্ডকী ইমপ্লোই কয়ানা শরুক য়াদুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা তাং ১৭ ফাওবা মফম অসিদা ফমদুনা ষ্ট্রাইক মখা চত্থগনি অমদি মথঙগী নুমিৎ তাং ১৮দা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা ইমপ্লোইশিংনা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌগনি অমদি তাং ২০দগী হৌদুনা দাবী অসি পীদ্রবদি শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কেঐচ ইনাওবী দেবীনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহী ২০১৫ মার্চ তাং ১১ দা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রুল্লিংগী মতুংইন্না মখোয়গী চপ চাবা রাইট অদু ফঙহল্লু অমদি পীফম থোকপা দাবী অদু পীবিয়ু।

কোর্টনা পীখিবা রুল্লিং চহী অনী হেল্লবফাওবা সরকার অসিনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী খোঙথাং লৌখৎতবদগী অসিগুম্বা ফিভম অসি ওইরক্লিবনি।

শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং অসি অহানবগী ওইনা মীওই মঙানা শরুক য়াগনি অমদি তাল্লিবা দাবী অসি ফঙদ্রিফাওবা চঙশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ২০১৫গী তেংবাঙ পীবদা মীচং–মীখায় নাইরে



এসএনএস

থৌবাল, জুলাই ১৪ ঃ ঙসিদগী চহী অনীগী মমাঙ ২০১৫গী জুলাই–আগষ্ট লোন্নবদা থোকখিবা ঈশিং ইচাওগী তেংবাঙ ফঙহনবদা মীচং –মীখায় নাইরে হায়না তাংজেং খুনজাও ৱুমেন্স ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

তাংজেং খুনজাও তেরাহৌবী কৈথেল শঙদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বর এম অনজলি দেবীনা ফোঙদোরকখিবদি, ২০১৫জুলাই –আগষ্টতা থোকখিবা ঈশিং ইচাওগী তেংবাঙ ফঙহনবদা প্রধান অহোংশাংবম ধিরেননা মীচং–মীখায় নাইনা মহাক্কা নক্লবা মীওই খরদা পীরে। মতম অদুদা য়ুম ১৮৩ ঈশিং থুমখ্রগা ইমুং ১৫ খক্তদা ঈচাওগী তেংবাঙ ফঙহল্লে। ঈচাও অদুদা ককচীং ব্লোক্কী পাঙলতাবী গ্রাম পনচায়টকী মনুংচনবা তাংজেং খুনজাও অমসুং খোংয়াম মখা লৈকাই পুল্লগা য়ুম ১৮৩ ঈশিং থুমখিবনি। অদুবু হন্দক তেংবাঙ পীরকপদা য়ুম ১৫খক্কী পীরকখি।

সরকারনা লুপা ৩৫০০ পীরকখবদা য়ুম ১৫দা লুপা ১৫০০খক পীরমখি। অদুসু করিগুম্বা মরম অমত্তা হায়দনা পীরমখিবনি। অসিগুম্বা মওং অসিদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা তেংবাঙ ফঙগদবা মীওইশিং মতৌ করম্না খল্লিবনো হায়বদু মীয়ামদা খঙহনফম থোকই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, তশেংনা য়ুম থুমখিবা কয়া অমা তেংবাঙ অমত্তা ফঙদবগী ফিভমদা লৈরে। প্রধাননা মতেং ফঙগদবা মীওইশিংমী থাগৎপদা মীচং–মীখায় নাইরব্রা হায়বগী চিংনবসু লৈ। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবীদুনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অৱাবা নংখ্রবা ইমুং খুদিংদা মতেং ফঙহনবীয়ু।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা য়াওখিবা তাংজেং খুনজাও ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এন অহনবী দেবীনা হায়, হিরম অসিগী মতাংদা প্রধানদা হংলুবদা মতম চানা চে পীশিল্লক্তবনা তেংবাঙ ফঙবগী লিষ্টতা য়াওরক্তবনি হায়রকখি। মতমদুদা য়ুমথোঙ খুদিংমক ফোটো কাপখ্রগা হৌজিক্না চে–চাং পীশিল্লক্তবদগীনি হায়রিবা অসি করিগীনো হায়বদু শেংদোকফম থোকই। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা মীচং–মীখায় নাইদনা চেন–চোংবীদুনা তঙাই ফদবা চে–চাং থাবীখিবদি য়াদ্রা হায়বা ৱাফমসু থম্লদুনা অৱাবা তারবশিংদা ফঙহনফম থোকপা পৈশা ফঙহনবীনবা শিনবীখিদবা করিগীনো হায়নসু মখা তানা হংখি।

সরকারনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা অৱাবা নংখিবা খুদিংদা তেংবাঙ ফঙহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এময়ু ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ারগী দিনগী থৌওংবু কন্দেম তৌখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ ঃমণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ারগী দিন প্রো. কেঐচ তোম্বনা পোলিটিকেল পার্টি অমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী চৎন–কাঙলোনগী মায়োক্তা থবক তৌখিবা থৌওংবু নেস্নেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া(এনএসয়ুআই)মণিপুর ষ্টেটনা অকনবা মওংগী কন্দেম তৌখ্রে।

এনএসয়ুআই (এম)গী প্রসিদেন্ট পি বঙ্কিমচন্দ্র মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, প্রোফেসার অমনা পোলিটিকেল পার্টিগী ফঙ্কসনদা নৎত্রগা পোলিটিকেল পার্টিগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামদা শরুক য়াবদা করিসু অকায়বা লৈতে। অদুবু ভিসি নৎত্রগা ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ারগী দিননা ফোঙনা পোলিটিকেল পার্টি অমা নক্লা চৎমিন্নবা হায়বসিদি অচুম্বা মীৎয়েং ওইরোই। চৎলিবা থা অসিগী ৮দা ককচীংদা পাঙথোকখিবা এবিভিপি ফাউন্দেসন দে থৌরমদা এময়ুগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ারগী দিননা বিজেপিগী লিদর কয়াগা লোয়ননা শরুক য়াখিবা অমসুং পোষ্টর ফোঙখিবা অদুগী মতাংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা খুদক্তা মীয়ামদা এপোলোজি তৌগদবনি হায়নসু দাবী তৌরি।

# অদোমগী ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং চেকশিনসি ঃ *ৱাই–ফাই সেক্যুরিটি*

*হান্নগী মখা...*

MAC এদ্রেসতা য়ুম্ফম ওইবা এক্সেস পোইন্টতা এক্সেস তৌরকপা থিংগদবনি ঃ

ওথোরাইজ ওইবা য়ুজরশিংনা এক্সেস পোইন্টতা শমজিনবা য়াননবা ৱায়রলেস ক্লাইন্টশিংদা MAC এদ্রেসতা বেজ ওইনা এক্সেস পীগদবনি।

এক্সেস পোইন্ট অদু শীজিন্নদবা মতমদা থিংজিন্দুনা থমগদবনি ঃ

হেক্করশিংনা তোঙান–তোঙানবা শাথিবা মওংগী পাসৱার্দশিং শীজিন্নদুনা কিশিং অদু থুগায়নবা হোৎনৈ। মরম অসিনা এক্সেস পোইন্ট অদু মতম শাংনা শীজিন্নদবা মতমদা এক্সেস পোইন্টশিং অদু মুখত্তুনা থম্বনা খ্বাইদগী ফবা থৌওংনি।

এক্সেস পোইন্ট অদুগী দিফোল্ট য়ুজরগী মমিং অমসুং পাৱার্দ হোংদোক্কদবনি ঃ

অয়াম্বা য়ুজরশিংনা এক্সেস পোইন্ট অদু কনফিগুরিং তৌবা মতমদা দিফোল্ট পাসৱার্দশিং অদু হোংদোক্তে। অদুবু মতম পূম্নমক্তা অচেৎপা পাসৱার্দ অমা থমগদবনি মরমদি হায়রিবা দিফোল্ট পাসৱার্দ অদুগী ইনফোর্মেসন, পোত্থোক পুথোক্লিবা মেন্যুফেকচরর অদুদগী খঙদোকখিবা ঙমগনি।

নহাক্কী নেটৱার্ককী মমিং অদু ব্রোদকাষ্ট তৌরোইদৌবনি ঃ

নেটৱার্কতা য়াওরিবা এক্সেস পোইন্ট অদু মশক খঙদোক্লনবা এস এস আই দি ইনফোর্মেসন শীজিন্নে অদুগা হায়রিবা ইনফোর্মেসন অসি শীজিন্নদুনা ৱায়রলেস ক্লাইন্টশিংনা নেটৱার্ক অদুদা কনেক্সনসু তৌই। মরম অসিনা ওথোরাইজ য়ুজরশিংতনা নেটৱার্ক অদুদা শমজিনবা য়াননবা ইনফোর্মেসন অদু মীয়ামদা খঙহল্লোইদৌবনি।

মতম পূম্নমক্তা অপদেট তৌরবা ফার্মৱোয়র থমগদবনি ঃ

এক্সেস পোইন্টগী ফার্মৱেয়র অদু অপদেট তৌদুনা থমগনি মরমদি মসিনা এক্সেস পোইন্ট অদুদা লৈবা সেক্যুরিটিগী অশোয়বা কয়াদু হন্থহনগনি।

কম্যুনিকেসন প্রোটেক্ট তৌনবা VPN নৎত্রগা IPSEC শীজিন্নগদবনি ঃ

ৱায়রলেস ক্লাইন্টতগী ৱায়র্দ নেটৱার্ক রিসিভরদা ইনফোর্মেসন চৎপদা ক্রিযিকেল ওইরবদি নেটৱার্ক অদুদা স্নিফরদগী ঙাকথোক্নবগীদমক VPN নৎত্রগা IPSEC দা য়ুম্ফম ওইনা কম্যুনিকেসন শীজিন্নবা রিকমেন্দ তৌরি।

SSID ইনফোর্মেসন অদু মীয়ামদা খঙহল্লোইদবনি ঃ

নেটৱার্ক অদুদা লৈরিবা এক্সেস পোইন্ট অদু খঙদোক্লবা SSID ইনফোর্মেসন শীজিনৈনন অদুগা ৱায়রলেস ক্লাইন্টশিংনসু ইনফোর্মেসন অসি শীজিন্নদুনা নেটৱার্ক অদুদা কনেক্সন তৌই। মরম অদুনা ওথোরাইজ ওইবা য়ুজরশিংনা নেটৱার্ক অদুদা শমজিনবা ঙম্ননবা, ইনফোর্মেসন অদু মীয়ামদা খঙহল্লোইদবনি।

DHCP সার্ভিস মথৌ তৌবা ঙমহল্লোইদবনি ঃ

এক্সেস পোইন্ট অদুদা য়ুজরশিংনা এক্সেস তৌবা হন্থরক্লবদি DHCP সাভ্রিস অদু মথৌ তৌবা ঙমহল্লোইদবনি। মরমদি এটেক্করশিংনা এক্সেস পোইন্ট অদুগা শমজিন্নবা হেক ঙমখিবদা নেটৱার্ক অদুগা শমজিন্নবদা য়াম্না লায়না থোকই।

লোইরবা

কর্টসিঃ–

**এন আই ই এল আই টি**

**ইম্ফাল**

লমায় ১ গী মখা

# চুরাচান্দপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক রিভিয়ু...

রিভিয়ু মীটিং অদুগী মাংজৌননা চীফ মিনিষ্টরনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট দেমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েল ৱেবসাইটসু লোঞ্চ তৌখি।

ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ষ্টেট কেবিনেট মীফম পাঙথোক্লবগীদমক লাকপা মতমদা চীফ মিনিষ্টর অমদি মহাক্কা লোয়নরকপা পূম্নমকপু চুরাচান্দপুর মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে। কাংবাই অমসুং মোলনোমদা খুঞ্জাশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোই অমদি নুপী লুপশিং অমসুং লোকেল ক্লবগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকখি।

চুরাচান্দপুরদা মীয়াম্না ওক্লবা মতুং দিষ্ট্রিক্ট ত্রেনিং সেন্টরদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ইম্ফালগী ৱাংমদা ইহান হান্না কেবিনেট মীটিং অমা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা হায়বসি অনৌবা লৈঙাক অসিগী পুৱারী ওইহৌরগদবা নুমিৎনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা চীংগী লমদমশিংদা ওইরিবা ফিভম হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়বা লৈঙাক অসিগী ৱাফম অদু ঙাকপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# চহীসিনা মণিপুরদগী হজ যাত্রিক খ্বাইদগী য়াম্না ...

মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিতিগী এক্সিক্যুটিভ ওফিসার এম দি সলাউদ্দিন খাননা হায়, হজ অসি চহী খুদিংগী পাঙথোকপা মালেমগী থৌরম অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মী লাক্ষ ১.৭০নি লোয়ননা মীওই লাক্ষ ৩০গী মথক্তা পুনগদৌরিবনি।

মণিপুরগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী য়েংলগদি ১৫০ রোমখক্তনি। অদুবু মসি মেনেজ তৌবনি। মণিপুরগী ওইনা মীওই ৫৯৭ হজ চৎনবা থারকপদা মী ৩৯১ খনলিবনি। মসি ৱেটিং লিষ্টতা মী ৭৭রোম লৈরি। মসিগী চৎপগী শেনফম অসি মশা মশানা পুথোকপনি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীদি মতেং পাঙবতনি। শেনফম অসিদি মশা মশানা পুথোক্কদবনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এম ও বি সি এম দি অসবউদ্দিন, মণিপুর ষ্টেট মাইরিতি কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন সয়েদ বুরহান্নুদ্দিন অমসুং মণিপুর ষ্টেট হজ কম্মিতিগী ই ও এম দি সল্লাউদ্দিন খানসু শরুক য়াখি।

# নুমিৎ ১০০ নিগী মতুং অহানবা চহীসিদসু প্রোজেক্ট...

চেরোল অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা ইনিসিয়েট তৌরকখিবগী মতুং ইন্না গভর্নমেন্ট অসিগী অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎখ্রবা মতুংদা অতৈ থবকশিংসু অহানবা চহীসিগী মনুংদা পাঙথোক্লবা পান্দম অমুক্কসু থল্লি হায়রি। মরম অসিনা হায়রিবা চহী অসিগী মনুংদা মপুং ফানা লোয়শিনগদবা প্রোজেক্টশিংগী লিষ্টশিং মরী লৈনবা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা লাক্লিবা থাসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবসু চেরোল অসিনা খঙহল্লক্লে হায়রি।

প্রোজেক্টশিং অসিগী লিষ্টশিং পীখৎলকপগা লোয়ননা থবকশিং অসিদা কুপ্না মোনিটর তৌনবা ৱাফমসু ফোঙদোরকই। লোয়ননা লিষ্ট অসি শেম্বদা সিএমনা উখ্রুল, সেনাপতি অমসুং কাংপোকপীগী দিষ্টিনক্ট হেদ ক্বাটরশিংদা চৎখিবা খোঙচৎশিং অদুসু নীংশিংনবা ৱাফমসু ফোঙদোরকই হায়রি।

# অশিবা লৌরবসু খোঙজংদি চঙশিনখিগনি

এসএনএস

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ ঃ হৌখিবা জুলাই ১দা জেনিমস মেডিসিন ৱার্ডতা লায়েংলকখিবা মীওই অমবু তোঙান–তোঙানবা ডোক্টরশিংনা হার্ট অমদি টিবি লায়নানা নারে হায়দুনা তোঙান–তোঙানবা হিদাক থাবদগী লৈখিদ্রবা বস্পতিময়ুম সুভাচন্দ্র শর্ম্মা (৫৮)গী হকচাং লৌদুনা চৎনবীগী মতুং ইন্না মথৌ–মঙম পাঙথোকখ্রে। অদুবু মরাল লৈবশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মচানুপা বস্পতিময়ুম নন্দো শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না মখা তানা হায়খিবদি, জুলাই ১দা জেনিমস মেডিসিন ৱার্ডতা এডমিট তৌদুনা লায়েংলবা মতুং জুলাই ১০গী নুংথিল পুং ১.১৫রোম তাবদা সুভাচন্দ্র অরানবা লায়েং চত্থবদগী লৈখিদবনি।

মরম অদুনা নুমিৎ অদুদা পোরোম্পাৎ পুলিস্তা এফআইআর অমা ফাইল তৌদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীদ্রবদি অশিবা লৌরবসু অকনবা খোঙজং কয়াদি লেপ্তুনা চত্থরগনি হায়খি।